ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা গুৱাহাটিদা লৈবা ওজা থম্বাল মেমোরিএল ট্রষ্টনা রিজনেল ইন্দিজিনস ফোরম ফোর পিছফুল কো এগজিষ্টেন্স মণিপুরগী খুৎথাংদা চান-থক্নবা পোৎলম অমদি ফিরোলশিং তেংবাঙবা

থম্মোয় পাউদম : ৱারীসি লোইবা নাইখিরোই ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ লমদমসিগী লুচিংবশিং লাইরিক হৈবদা নত্তনা ...

মীতৈ খুন্নাইবু থুগায়নবা, খোঙ্গুল মুখৎনবা হোৎনরক্লি ... ☛ লামায় ৬

লামায় ৮ ☛ কোংগ্রেসকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরবদি একজামদা ইন্টরনেল ...

মার্দ ক্লব মোইরাংনা ঈ এল এস এ মায়থীবা পীখ্রে... ☛ লামায় ৯

লামায় ১০ ☛ য়ু ভি এস এ ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে

মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লুখিবগুম ওল্ড ককচীং কন্সত্রক্সন ৱার্করস য়ুনিয়ননা শীন্দুনা ককচীংগী লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা মে দে থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

Vol. 48, Issue No. 031 ইরাই, শজিবু ২৫নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ১০ HUEIYEN LANPAO Friday, May 03, 2024, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 5.00

### মপাঙ্গল কল্লবা লোগী অশাংবা খূৎ চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা য়ৌদ্রিবরা

# মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানগী মনুংদা চুড়াচান্দপুরদা বেঙ্ক লূট তৌবগী থৌদোক অমুক্কসু থোক্লে

**ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস) :**

চহী কয়াগী মমাঙদগী মণিপুর লৈঙাক পায়খিবা লৈঙাক্লোইশিংনা ষ্টেট অসিদসু চৎনরিবা লৈবাক অসিগী মপাঙ্গল কল্লবা লোগী অশাংবা মখূৎশিং অনকপা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মপূং ফানা চৎনহল্লগসু চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা য়ৌহনবা ঙমদনা লাক্লে হায়দুনা মীয়াম্না চীংদনা লো অমা, তমদনা লো অমা চৎনরব্রা হায়বগী ৱাহং হংদুনা লাক্লিঙৈগী চৈরক্তা মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী হয়েং চহী অমা মপূং ফাগদবা নোংমা খক্তমক ৱাৎলিঙৈদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা বেঙ্ক লূট তৌবগী থৌদোক অমুক্কসু থোকখ্রে।

ঙসিগী অনীশুবা লান মনুংদা বেঙ্ক লূট তৌবগী থৌদোক অসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা ইম্ফালদগী চুড়াচান্দপুর তন্না চৎখিবা লম্বীদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর য়ৌদ্রিঙৈগী মরক্তা লৈবা কে সালবুং খুলগী ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) গী ব্রাঞ্চ অমদা থোকখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা কুকি টেররিষ্টশিং ওইরমগনি থাজবা মীওইশিংনা বেঙ্ক অসিগী লঞ্চ অৱারগী ব্রেক লৈরুরবা মতুং ষ্টাফশিং অমুক হন্না চঙশিন্নরক্তুনা মাগী মাগী মথৌ পাঙথোকপা হৌগৎলকপা তাঞ্জাদা খঙহৌদনা বেঙ্ক অসিগী মনুংদা চঙশিল্লকখিবনি অদুগা নোংমৈ রাউন্দ অমা কাপথোক্তুনা ষ্টাফ পূম্নমক কিহল্লবা মতুংদা বেঙ্ক অসিগী ষ্ট্রোঙ রূম তান্না চঙলল্লগা লুপা লাখ ২০ লোমগী শেনফম লৌরবা মতুংদা খূৎলৈ থুনা চৎখিবনি হায়রি।

নোংমৈ পায়দুনা কিহল্লগা শেল লাকখিবা মীওইশিং অদু কাংভাই ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# জিরিবামসু লানফম ওইরক্কদৌরিব্রা : কুকি টেররিষ্টশিংনা মীওই ১ ফূরগা থাদোরক্লে, দুকান অমসুং য়ুম মৈ থারম্লে

### জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী সব সেক্সন ২গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস) :** মতম অমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লম্বদগী হৌজিক্লা মপূং ফাবা রেভন্যু দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইজরল্লবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা কুকি টেররিষ্টশিংনি চিংনবশিংনা মখল কয়াগী থৌদোকশিং থোকহল্লক্তুনা চহী অমা চুপ্পা লান চথরক্লিবা কুকি টেররিষ্টশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদসু লানফম ওইহল্লক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লরে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বোরবেক্রা পি এসকী মনুং চনবা মোইবুং খুল মনাক্তা লৈবা চা বগানগী মফম অমদা কুকি টেররিষ্টশিংনি চিংনবা মীওই ১৩না মীতৈ মচা অমা ফারবা মতুংদা ফূরগা থাদোরক্লে হায়রি।

থৌদোক অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা থোকখিবনি। কুকি টেররিষ্টশিংনা ফারবা মতুংদা ফূরগা থাদোরকখিবা মীওই অদুগী মমিং নরেস (২৬) কৌই, জিরিবামগী নিংথেম বেক্রা লমদাই খুনৌদগী নুপী অমগা য়ূম্বানমিন্নদুনা লৈবা মীওইনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা কুকি টেররিষ্টশিং অদুনা



মহাকপু ফারবা মতুংদা মমিৎ পূনশিন্দুনা ৱাহং পাউহং চথুখি অদুগা মণিপুরগী লালহৌলূপ অমগী মমিং পন্দুনা মহাক লালহৌলূপ অদুগী মীওইরা নৎত্রগা খুল ঙাকপা কাঙবু অমগীসু মমিং পন্দুনা মদুগী মীওইরা হায়দুনা ফূ চৈখি। অদুম ওইনমক মহাক নুমিৎ অদুগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## জিরি-টিপাইমুখ লম্বী নমথখ্রে, অৱাং খুলদা লেন্দস্লাইদ থোক্লে

**ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস):**

জিরিবাম-টিপাইমুখ অনীগী মরক্তা লৈবা লম্বীগী শরুক্তা ঙরাং অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা মিটর ১৫ রোম শাংনা খঙহৌদনা নমথখিবদগী মফম অনীসিগী মরক্তা লম্বী ফাওনদ্রে হায়রি।

লম্বী নমথখিবা মফম অসি জিরিবাম টাউনদগী কিলোমিটর ৭ লোম চৎলগা লৈবা মোংবুং চা বগান মনাক্কী লম্বীগী শরুক্তা থোকখিবনি। মরম অসিনা মফম অনীসিগী মরক্তা মহৌশাগুম্না চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা ওইরে হায়রি।

থৌদোক অসি হন্দক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী লেপ্তুনা নোং চুশিল্লকপনা ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা, এন ঐচ-৩৭ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## থাংমৈবন্দদগী মফম খঙদ্রিবা খাঙেম্বম অপাম্বগী খোঙ্গুল লীনবা গভর্ণরনা চীফ মিনিষ্টরদা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুংথিল পুং ৪.৫৫ রোম তারকপদা চীফ সেক্রেটরি ডা. বিনিট জোসিগা লোয়ননা রাজ ভবনদা লাকখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা গভর্ণরগী মায়কৈদগী মফম খঙদনা লৈরক্লিবা থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায়দগী খাঙেম্বম অপাম্বগী খোঙ্গুল লীবগী থবক হেন্না কনশিন্না পায়খৎনবা অমসুং নাকল অনীগী মীয়াম্না লাম্থোক লানশিন তৌনরিবা মফমশিংদা হাংবা চ্যেক পোষ্টশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিং খূৎশম্নদুনা পায়খৎনবা পাউতাক পীখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি নুমিদাং রাজ ভবনগী গভর্ণর সেক্রেটরিএটতগী থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চীফ সেক্রেটরি য়াওনা চীফ মিনিষ্টরনা গভর্ণর উনখিবদা মণিপুরগী মফম কয়াদা হাংলিবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিংগীদমক লৈঙাক্লা চোকথবা লৈতনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং মরু ওইনা ইসেন্সিএল আইটেমশিং ফংহন্নবগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবকশিংগী মতাংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## লূপকী থাক্তা য়ান-চে খূৎয়েক পীনখ্রে : চরাইরোংবা

**ইম্ফাল, মে ০২ :** পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ), মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর টি ঐচ চরাইরোংবনা থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি অয়ূক সেকমাইদা অরাম্বাই তেঙ্গোল অমসুং লালহৌলূপ অসিগী মরু ওইবা থৌপুবশিং পূন্না ফম্মিন্নদুনা লূপকী থাক্তা য়ান-চে অমা খূৎয়েক পীনখ্রে হায়রি।

নাকল অনীনা খূৎয়েক পীনখিবা য়ান-চে অদুগী ৱারোলশিংনা হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদগী পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফ, মণিপুরগী লান্মী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মি (এম পি এ) গী লান্মীশিংগা মফম খরদা পামদবা মওংদা উংখৎনবা, খৎন-চৈনবা, হুন্দুনা ঙাঙন-শরুবগী থৌদোকশিং তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। থৌদোকশিং অসিদা লূপ অনীগী ওইবা পোলিসি অমগী মখাদা থোকপা থৌদোক নৎত্রগসু অসিগুম্বা অনহেলদি রিলেসন্সিপ অমদি লৈরে। অসিগুম্বা ফীভম অসি মখা তানা থোক্তনবা অচেৎপা মরী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## কোভিদ ভেক্সিনগী সর্টিফিকেটতগী নরেন্দ্র মোদিগী ফোটো লৌথোকখ্রে

**ন্যু দেল্লী, মে ০২ (এজেন্সী):** লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা পায়খৎলকপা অচৌবা অহোংবা থৌওং অমদা কোভিদ-১৯গী হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংদা পীরক্লিবা কোৱিন সর্টিফিকেটশিংদা হাপ্লম্বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফোটো লৌথোকখ্রে।



"दवाई भी और कड़ाई भी।

Together, India will defeat COVID-19"

- प्रधानमंत्री नरेंद्र मोदी



Sandeep Manudhane @sandeep_PT

Modi ji no more visible on Covid Vaccine certificates

Just downloaded to check - yes, his pic is gone

#Covishield #vaccineSideEffects #Nomorepicture #CovidVaccines

Certificate for COVID-19 Vaccination

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন তৌরবা মীওইশিংদা পীবা সর্টিফিকেট অসিদা নরেন্দ্র মোদিগী ফোটো খক্তা নত্তনা মহাক্লা হায়বা ৱাহৈ পরেং অমা ফাওবা হাপ্লকখিবনি। থৌওং অসিগী মতাংদা হেল্থ মিনিষ্ট্রি অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী ওফিসলশিংনদি মীখলগীদমক চৎনরিবা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টকী মতুংইন্না লৌথোকপনি হায়রি। অদুম ওইনমক য়ুনাইটেদ কিংদমগী কোর্ট অমদা কোভিদ-১৯গী হীদাক পুথোক্লিবা এষ্ট্রাজেনেকাগী মায়কৈদগী কোভিসিল ভেক্সিন কাপথোকখিবা মীওইশিংদা থ্রোম্বোসাইতোপেনিয়া সিন্দ্রোম (টি টি এস) থোকহল্লকপা য়াই হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকপদগী নরেন্দ্র মোদিগী ফোটো লৌথোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না সোসল মীদিয়া য়ুজরশিংনা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম 'এক্স' তা ফোঙদোক্লরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## নোং মরক্তা ফর্নিচর দুকান শগুন তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস):**

ঙরাং নুমিদাংদগীনা ঙসি অয়ূক ফাওবগী মনুংদা নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুরিঙৈগী চৈরক্তা টিদ্দিম লম্বীগী কোঞ্জেং লৈকায়দা লৈবা খুমন ফর্নিচরদগী লুপা লাখ ২.৪ রোমগী মমল ওইগদবা ফর্নিচর চন্নবা অখাইবা উশিং অমসুং মেছিনশিং হুরানখ্রে হায়রি।

খুমন ...মখা লমায় ৩ কলম...

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Churachandpurda hanjin hanjin Bank Loot toubagi thoudoksing thorakliba ashi district ashida Law and Order ngaktre haiba nattra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Chahi fajillaklaba Kuki Terrorist singgi Lan mayoknarakliba khul ngakpasing houjik namangsu lang natungsu ten haibadugi phibamda leirabra?

Yes 56% No 44%

### অস! লোইরেহে!

- ইবুংঙো খুরাবু য়ুমফাও থিল্লম্মু, ৱারে।

- ꯏꯕꯨꯡꯉꯣ ꯈꯨꯔꯥꯕꯨ ꯌꯨꯝꯐꯥꯎ ꯊꯤꯜꯂꯝꯃꯨ, ꯋꯥꯔꯦ꯫

- ঐবু প্রমোসন কাহল্লমদবা অহলদু নৎত্রা? তল্লি খুরা।

- ꯑꯩꯕꯨ ꯄ꯭ꯔꯃꯣꯁꯟ ꯀꯥꯍꯜꯂꯃꯗꯕꯥ ꯑꯍꯂꯗꯨ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯥ? ꯇꯜꯂꯤ ꯈꯨꯔꯥ꯫

## লান চহী ২ শুহল্লগুমসি, য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং থম্বীয়ু : তরাগী চৈশু

**ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরকখিবা কাঙলূপ অনীগী লান চহী অমা চপ চানা মপূং ফারকপগা লোয়ননা তরাগী চৈশুগী পোরোম্পাৎতা লৈবা লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লূপ অসিগী চ্যেরপর্সন খাইদেম মনি (সিনিয়র এদভোকেট) না পাউমীশিংদা হায়, মমাঙ চহীদগী হৌরকখিবা ঈরাং হয়েং মে ৩, ২০২৪দা চহী অমা চপ চানা মপূং ফারে। মরম অসিনা নুমিৎসিদা মণিপুরগী চীং-তমগী মীয়াম পূম্নমক্না হয়েং অসি তোঙান তোঙানবা মফমদা নুমিৎ অসিবু নীংশিংবগী থৌরম ৱাখল্লোন কয়াদা পাঙথোক্লগদৌরি। তম্পাক্কী মফম কয়াদসু তোঙান তোঙানবা লূপ, সী এস ও, ওর্গনাইজেসনশিংনা মণিপুর কাইহনবা য়াদে, ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মথং চহীদগীদি চপ মান্নবা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোক্লসি : ফোক্স

**ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস) :**

কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা মখোয়গী মিলিটেন্টশিং খক্তা নত্তনা মপান্দগী চঙশিল্লকপা চিন-কুকি-জৌ ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মণিপুর থুগাইনবা অমসুং য়েলহৌমীশিংবু হাৎননবা লান্দারকখিবগী মণিপুরগী পুৱারীদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা মায়োক্নহল্লকখিবা চহী অমা ফারকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসিবু নীংশিংলদুনা ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটিজ ওর্গনাইজেসন (ফোক্স), মণিপুর অমসুং চৎমিন্নরিবা লূপশিংনা শীন্দুনা 'ইমা লৈবাক্তা শীংনরকপা নুমিৎ' হায়বা ৱাখল্লোন্দা মীয়ামগী ওইবা কনভেন্সন অমা হয়েং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী য়াঙ্গোই নিংথৌ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## ঙসি মে ৩, ২০২৪

## মণিপুরগী লান চহী ১ ফারকপা নুমিৎতা পাঙথোক্লগদবা থৌরমশিং

**য়েলহৌমী মীকপ থোকপা নুমিৎ :** ইবুধৌ থাংজিং পানানা শীন্দুনা অয়ূক পুং ৯ তারকপদগী হৌরদুনা য়েলহৌমী মীকপ থোকপা নুমিৎ হায়না নীংশিংদুনা মোইরাং চেঙ্গৈ লম্পাক্তা মীতৈ ফুরুপ্পু মুখৎনবা লেপ্তুনা চথরক্লিবা লান অসিদা ইরৈবাক ইরমদম ঙাক শেনবদা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা মীতৈ অথৌবা-অথৌবী পূম্নমক্কী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি।

**য়েলহৌমী মীকপ থোকপা নুমিৎ-রাইজিং দে ফোর ইন্দিজিনস পিপল :** নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তগী ৮ ফাওবদা মৈতৈ রিসর্জেন্স ফোরমনা কংলা মমাঙদা কেন্দল লাইট থান্দুনা অথৌবা অথৌবীশিংদা ইকায়খুম্নজগনি হায়না ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনাম দোরেননা ফোঙদোরক্লি।

**কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) :** না শীন্দুনা অয়ূক পুং ১০.৩০ তারকপদগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা ৬৩৫ দেজ ওফ চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্ট এগ্রেসন ইন মণিপুরগী খন্ন-নৈনবা থৌরম পাঙথোক্কনি।

**মে ৩, ২০২৩- অমুক হঙ্গৎনা য়েংবা (রিভিজিটিং দি থর্দ মে, ২০২৩) :** ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) না শীন্দুনা অয়ূক পুং ১১ তারকপদগী ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায় কম্ম্যুনিতি হোল (অমুকোগী ওফিস মনাক) তা পব্লিক দিস্কসন পাঙথোক্কনি।

**ইমা লৈবাক্তা শীংনরকপা নুমিৎ :** ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মণিপুরনা শীন্দুনা অয়ূক পুং ১০ তারকপদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী য়াঙ্গোই নিংথৌ কম্ম্যুনিতি হোলদা 'ইমা লৈবাক্তা শীংনরকপা নুমিৎ' হায়বা পান্দম অসিদা নোংমগী ওইবা মীয়ামগী কনভেন্সন পাঙথোক্কনি।

**ফীরেপ লৌমিন্নবা নুমিৎ :** নুংথিল পুং ১.৫৫ তারকপদগী লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অমসুং লংথবাল কেন্দ্র মৈরা পায়বী কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা পূন্না শীন্দুনা ককৱা পৃখ্রি অচৌবা মনাক্তা লৈবা ককৱা কম্ম্যুনিতি হোলদা 'ফীরেপ লৌমিন্নবা নুমিৎ' পাঙথোকপগা লোয়ননা অয়ূক পুং ১০.৩০দগী ঈ পীবগী থৌরম হৌগনি হায়রি।

অয়ূক পুং ১১.৩০ তারকপদগী পোরোম্পাৎতা লৈবা কমপ্লিট হিয়ারিং সোল্যুসনগী মীটিং হোলদা তরাগী চৈশুনা শীন্দুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

**মীকপ থোকপা নুমিৎ :** নুমিৎসিগী মাঙওইননা চুড়াচান্দপুরগী খুমুজাম্বা মৈতৈ লৈকায় পাট্টাদার (লেন্দ ওনর এসোসিএসন) না শীন্দুনা অথৌবশিংগী মফমদা ইকোক নোন্না খুরুমজরি হায়রদুনা খুন্দামিন্নরিবা ইরৈচা পূম্নমক্তা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

# 'লাঞ্জেন্নরকখিবী ঐখোয়বু পূন্সি চূপ্পা রিলিফ কেম্পতা অদুমক থম্বীগদৌরিব্রা'

### হকথেংনবা পাউদম

### থ্বালতাবী মমাঙ লৈকায়দগী খুঞ্জা অমা

**(হান্নগী মখা...)**

থ্বালতাবী মমাঙ লৈকায়দগী গোতিময়ূম গঙ্গানা মখা তানা হায়, হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা চহী অমা ফাজিল্লক্তুনা শেম্থোক লম্বী লৈতবদগী করিমত্তা তৌবা ঙমজদ্রবসু ইচাবু মী অমা ওইননবা শেম্বদা তঙাইফরক্তুবদি ইশাগী কিদনি ফাওবা য়োম্থোক্তুনা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

অসুক ৱারবা চাবা ফাওবা লৈঙাক্লা পীরক্তুবদি চরা হেন্দুনা লৈবগী ফীভমদা হিংলিবা পূন্সি মহিং অমদা লৈরকপনিনা ৱাসু ইনীং তম্না হায়নীংবা হায়বা ঙমদ্রে। করিগুম্বা হায়রুরগা অৱাবা তারবা ঐখোয়বু হন্না য়েংবীরক্লোইদ্রা হায়বগী অকিবা ফাওরে। ঐখোয়দি হৌজিক হিংবদি ঙল্লি খন্দুনা ঐখোয়দা পেন্দবা ময়াম লৈরবসু লাইবক্লা তম্বনি খল্লগা পেম্থোক্লে। মখোয়দা লাউবা য়াবা লাউখ্রে, হায়বা য়াবা হায়খ্রে। মীখল ফাওবা পাঙথোকপীগনু হায়বগী খোল্লাও লাউখিবনি অদুবু তাবীগদবা মখোয়না তাবীখিদে। অৱাবা তারবা মীয়ামসু লৈঙাক্তা হেন্না অকনবা খোঙজং চঙশিনবদা মচা-মশু লাইরিক তম্বা ফাওবদি লেম্না তমহল্লি, চাবসু লেম্না চারি হায়দুনা পেম্থোক্লবা য়াওরবা মাল্লে হায়রকখি।

মহাক্লা থম্মোয় শোক্লা হায়, ইচানা তোয়না অহিং অহিং হৌগৎতুনা কপ্পী। ঐখোয়গী য়ূম অদুতা উই হায়রকখি। য়ূমদগী কুকিশিংনা তাল্লক্তুনা চেল্লকখিবদুসু ইমাঙদা অদুমক উরগা লৈরি। মসিনসু ইচাগী ৱাখলদা অনাবা ওইখিদুনা মহৈ মশীন তম্বদা শোয়রক্লগদ্রা হায়বগী পাখৎপসু পোক্লি। মরম অসিনা ময়াম মমাঙদা ঈশৈ শকপা-খোৎপা নৎত্রগা স্কুলদা অমদি মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ হন্দক পাঙথোকখিবা অদুদা ইচানুপীবু ঈশৈ শকপীয়ু হায়না সোসল ৱেলফ্যের লোয়শঙনা শওস্লুংগী প্রি-ফেব্রিকেটেদ য়ূমশিংদা কৌরক্তুনা শকপদা য়ূমগী ঈশৈ 'নুংশিবী ইয়ূমনি' হায়না হৌজিক সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরিবা ঈশৈ অদুনা শৈহৌবা য়ূমগী ঈশৈ ঙাক্তা কপ কপ্তুনা শকখি। মসিনা নৌরিবা মহাক্কী ৱাখলবু কয়ামুক য়াম্না শোকহল্লবগে হায়না খল্লুবদা ঐহাক মমা অমা ওইনা অদুক্কী মতিক ৱাই। ঐহাক্কী পোক্লফম য়ৌরবুং ওইরবসু মৈ চাকহৌরবা ইপাম থ্বালতাবীদা ঐহাক্কী য়ূমনি অদুমক খন্দুনা ইতৎ তত্তনা ইচানা য়ূমদা করম্বা মতমদা হনগনি, য়ূমদগী ময়াম্না স্কুল কান্নরকপা, নীংতম্না য়ূমদা শান্নবা অদু করম্বা মতমদা ফংগনি হংলকপদা অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোকই হায়না ফোঙদোরকখি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরবা মতুং এন জি ও অমনা ফুরিৎ তুবগী মেছিন খরা পীবিরকই। মদুদা ফি লৈরগা ফিরোল মচা মচা শেম্লুরবসু য়োনফম লৈতদুনা অদুক্কী মতিক ৱাখি। ঐখোয়দা ফি থাদরক্কে হায়বীরম্বা এন জি ওগী মীওইশিং অদুসু লান চৎলি হায়না ফিসু থাদরক্ত্রে। মরম অসিনা মেছিনদি লৈরগা শেম শানবা ফি লৈতবগী অৱাবদু উবদা ইচানুপীগী স্কুলগী ওজাশিংনা খাইগৎনরগা লুপা লিশীং ৫ খক পীরকপদু ইকায় ইকায়না লৌরগা পুথোকচবা পোথোকশিং অদু হৌজিক্লা য়োনফম লৈতবগী অৱাবা অমুক মায়োক্লরে। য়ূমদা লৈরিঙৈদা শেল তান্নবা শূ-নোল্লগা খূৎ অসি শুংলেপ লেপ্তুনা হৌরকখিবনিনা রিলিফ কেম্পতা অসুম ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১-৯৭৭৪৮০৩১৪৫